# সিঞ্জিয়াংগী গভর্ণর ইর্কিন কুরনিয়াসবু ফাননবা চাইনিজ উইগুরশিংনা বৃটিস এর্টোনি জেনরেলদা হায়জখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী):

চাইনিজ ওটোনোমস রিজন সিঞ্জিয়াংগী গভর্ণরনা মথং চয়োলদা লন্দনদা খোঙচৎ অমা লাক্লবদি মহাকপু ফানবগী পার্মিসন পীবগা লোয়ননা প্রোজিক্যুট তৌননবা লন্দনদা বেজ তৌবা দিসিদেন্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড উইগুর কংগ্রেস (দব্লিয়ু য়ু সি) না বৃটিস এর্টোনি জেনরেলদা হায়জখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা দব্লিয়ু য়ু সিনা হায়, চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈরিবা উইগুর মীয়াম অমসুং টর্কিব গ্রুপশিংগী মায়োক্তা চথরিবা কা হেনবা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসনগী থৌওংশিং অদুগী থৌদাং সিঞ্জিয়াংগী গভর্ণর ইর্কিন কুরনিয়াসনা লৌফম থোকই।

মসি অয়াম্বনা মুস্লিমশিং ওইরিবা উইগুরশিংগী মায়োক্তা চাইনানা চল্লাইরিবা 'দিরেদিকেলাইজেসন' পোলিসিগী শরুক অমনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, লন্দন মেট্রোপোলিটান পুলিসকী ৱার ক্রাইম টিম (এসও ১৫) তা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক্তা ইভিদেন্স পাস তৌখ্রে। মসিনা টুনিয়াসপু ফানবগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইবা য়াই।




পনবা য়াবদি, চাইনানা চহী কয়া চুপ্না উইগুর রিজনদা কনসেন্ট্রেসন কেম্পশিংগী অচৌবা নেটৱার্ক অমা চল্লাইদুনা লাকখি। দব্লিয়ু য়ু সিনা কেম্প অমগী সর্বাইবরনি হায়রিবা ইর্বাকিট ওটারবে কৌবা মীওই অমা এৱার্দ ফঙলবা হ্যুমেন রাইটস উকিল মাইকেল পোলাক্না রিপ্রজেন্ট তৌরি।

গার্দিয়ন পাউচেনা ওলাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মহাক্কী ক্লাইন্ট অদু য়ুএসতা লৈবনা অমসুং চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চথরিবা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিংগী ভিক্তিম ওইবনা মহাক টুনিয়াসকী মায়োক্তা কেস অমা লৌখৎপদা মতিক চাবা মীওইনি। সিঞ্জিয়াংগী গভর্ণর টুনিয়াস রিসি সুনাক গভর্ণমেন্টনা ইনভাইট তৌবদগী লন্দনদা খোঙচৎ অমা লাক্কদৌরিবনি। য়ুকে ফোরেন ওফিসনা মহাকপু লন্দনদা লাক্লবা ইনভাইট তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু সিঞ্জিয়াংদগী হৌরকখিবা পোলিটিকেল রিফ্যুজি গ্রপশিংনা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি।

মখোয়গী মরক্তগী অমনা ৱারেপ অদু করি ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখিবনো হায়বসি খঙনবা হোৎনবদা ৱানা থোকই হায়খি। বৃটিস এমপিগী সেক্সন খরনসু ফোরেন ওফিসকী ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা উৎখি। টুনিয়াসনা উইগুরশিংবু ওৎ নৈবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌখি হায়না মখোয়না মরাল শীখি। উইগুর মুস্লিমশিংগী ট্রিটমেন্ট জেনোসাইদনি হায়না চহী অনীগী মমাঙদা বৃটিস পার্লিয়ামেন্টনা লাউথোকখ্রবনি।

কুমজা ২০২১ দা য়ুএননা টুনিয়াসপু অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা টিবেটান অঙাং মিলিয়ন অমা মখোয়গী ইমুংশিংদগী শেৎতোকহনখিবগী খোঙথাং অমবু য়ুএন স্পিসল রাপোর্টরশিংগী ওইবা গ্রুপ অমনা প্রোটেষ্ট তৌখি। মমাঙদা গ্রুপ অসিনা উইগুর মুস্লিমশিংদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চথরিবা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং অদু শাথিবা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসননি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

উইগুর এক্তিভিষ্টশিং রহিমা মহমুদ অমসুং রাইমন অসাদনা হায়খি, মদুদি চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী এনগেজমেন্টশিংদা পনখৈ লৈফম থোকই। পাক্তক্লনা নম্ফুদা ষ্টেরিলাইজেসনশিং চথবা অমসুং কন্সেন্ট্রেসন কেম্পশিংদা নমদুনা থাজিনবা য়াওনা জেনোসাইদকী পোলিসিশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা হকথেংননা চেন্নে হায়না মরাল শীখ্রবা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিসলশিংগা উনবা অমদি মখোয়বু তরাম্না ওকপনচিংবা থবকশিং অসি তশেংনমক তৌফম থোক্তবশিংনি।

ফোরেন ওফিসকী মতুং ইন্না টুনিয়াসপু সেনিয়র ওফিসলগী মিংদা উন্ননবা অমদি তাঞ্জা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মঙোন্দা চাইনিজ গভর্ণমেন্টগী পোলিসিদা অহোংবা লাকহন্নবা প্রেসর পীননবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌখি।

# সিরিয়া অমসুং টর্কিদা মতেং পীনবা, রিলিফতা পালিটিকেল ইথিল য়াওহন্দনবা গুটরেজনা আপিল তৌখ্রে

য়ুএন, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী):

য়ুহা কন্না হাবদগী মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা চাওনা মায়োক্লরিবা সিরিয়া অমসুং টর্কিদা মালেম পুম্বনা মতেং পীননবা অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিংদা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙহন্দনবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা আপিল তৌখ্রে। টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মীয়াম-গীদমক্তা ঐখোয় পুম্বনা লেপকদবা মতম অদু হৌজিক্লি হায়না গুটরেজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।



লৈবাক অনীমক্না রিফ্যুজিশিংবু তরাম্না ওকখিবগী থৌওংশিং নীংশিংলদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি টর্কি অমসুং সিরিয়ানা রিফ্যুজি মিলিয়ন কয়াবু মতেং পাঙখিবা অমদি প্রোটেক্সন পীখিবগা মান্নবা মওংদা লৈবাক অনীগী মীয়াম্বু থৌজালগা লোয়ননা মতেং পাঙননবা ঐহাক্না ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা আপিল তৌরি।

পনবা য়াবদি, টর্কিনা হন্দক্কী শাথিরবা য়ুহা অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী মতেং কয়া ফঙলবসু সিরিয়াগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা য়ুহা অদুগা মরী লৈনবা ইন্টরনেসনেল রেস্পোন্স পেন্নিংঙাই ওইদবদগী গুটরেজনা সিরিয়াবু মালেমগী লৈবাকশিংগী মীৎয়েংদা তোঙান্না উবগী থৌওংদা পুম্নমক্কী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনখি।

প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী গভর্ণমেন্ট নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী অথিংবশিং মায়োক্লবগা লোয়ননা য়ুহানা শোকহল্লিবা অয়াম্বা মফমশিং মপানগী এইদ ৱার্করশিংনা চঙবদা খুদোং চাদ্রবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ওইবনা রিলিফ ওপরেসনশিংদা পোলিটিকেলগী অথিংবশিং মায়োক্লরিবনি।

হৌজিক্কী অৱাবগী মশক ওইরবা তাঙ্কক অসি পোলিটিকেলগী ইথিল চঙহন্নবা হোৎনবা নত্ত্রগা খাইবুং খাইবুং তান্নবগী ৱাখল উৎনবগী মতম অদু নত্তে। তশেংনমক হৌজিক মালেম পুম্বগী সপোর্ট মথৌ তাই। সিরিয়া হ্যুমেনিটরিয়ন ফন্দ অমসুং সিরিয়া ক্রোস-বোর্দর ফন্দদা য়াম্না থুনা সপোর্ট পীবা মথৌ তাই হায়না গুটরেজনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা সিরিয়াবু মতেং পাঙননবা ফ্লাস আপিল অমা লোঞ্চ তৌরগনি। য়ুএস য়াওনা নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টতা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা গুটরেজনা হায়, মখল অমত্তগী অথিংবশিংনা সিরিয়াগী মীয়াম্বু মতেং পাঙবগী থবক্তা অপনবা পীহল্লোইদবা মতম অদু হৌজিক্লি।

# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ুক্রেনদা লেপ্তুনা সপোর্ট পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রে

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ুক্রেনবু মখা তানা সপোর্ট তৌগনি হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোন্দেরলিয়ন্না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিদা থাজবা পীখ্রে অমদি রসিয়াগী মায়োক্তা তরাশুবা রাউন্দগী অথিংবশিং থম্লনবা শেম শারি হায়খ্রে।

উর্সুলানা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেন অমসুং ইয়ু ইমুং অমত্তনি। রসিয়াগা থেংনবা লানদা য়ুরোপনা লেপ্তুনা মতেং পাঙগনি হায়বসি য়ুক্রেননা থাজগদবনি। ঐখোয়না সপোর্ট মপুং ফানা মখা তানা পীখিগনি হায়না লিয়ন্না ইয়ুগী লিদরশিংগী মীফমদা জেলেন্সকিনা ৱারোল অমা পীখ্রবা মতুংদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

বেলজিয়মগী কেপিটেল ব্রসেলসতা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা পনখিবদা লিয়ন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহাক্না লন্দনদা থুংখিবদা বৃটিস পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক্না উনখি। মহাক্না বকিংহাম পেলেসনা নিংথৌ চালস অহুমশুবগসু উনখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না পেরিসতা চত্তুনা ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন অমদি জর্মন চান্সেল্লর ওলাব সোলসকা প্রসিদেন্সিএল এলিসি পেলেসতা লাংবা ট্রাই পার্টি দিন্নর অমদা উনখি। মদুগী মতুংদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট অসিনা মেক্রোনগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা ব্রসেলসতা চৎখি। বেলজিয়ন কেপিটেল অসিদা মহাক্না য়ুরোপিয়ন লোমেক্করশিংদা স্পিচ অমা পীখি অমসুং মতুং তারকপদা ইয়ু মেম্বর ষ্টেটশিংগী লিদর ২৭ মক্কী স্পিসল সম্মিটতা ৱা ঙাঙখি।

# লাউসনা অসিয়ন সম্মিটকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে

বেন্টিয়ন, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী অসিয়ন সম্মিটকী থৌবু ওইনবগীদমক্তা লাউসনা শেম শাবগী থবক হৌখ্রে।



লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা নেসনেল লেভেল মীফম অমা কৌদুনা এরেঞ্জমেন্টশিং খন্নখি। মীফম অদু লাউসকী প্রাইম মিনিষ্টর সোনেকসে সিফান্দন্না চিয়র লৌদুনা পাঙথোকখি হায়না এজেন্সিনা লোকেল দেলি বেনটেন টাইমসকী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়রি।

একামোদেসনশিং অমসুং ভেহি-কলশিং এরেঞ্জ তৌবা, সম্মিটকী মফম শেম শাবা, ওফিসলশিংদা দ্যুটিশিং শিন্নবা, বজেট লাংবা অমদি সম্মিট অদুগী কন্টেন্টকী মরমদা ৱারেপ লৌবগী থৌদাং পুরিবা নেসনেল কম্মিটি অমনা হৌজিক ফাওবদা চথরক্লিবা শেম শাবগী থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে। রিভিয়ু অদুগী মতুং ইন্না সম্মিট অদুগী প্রিপরেসনশিং সুপরভাইস তৌননবা সব-কম্মিটি ১৪ শেম্লে।

মখোয়না মীটিং মফমশিং এরেঞ্জ তৌবা, হোটেলশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিং শেম শাহনবা, কেপিটেল বেনকেনগী অকোয়বদা প্রমোস্নেল মেটরিএলশিং থেৎপা নত্ত্রগা উহনবা, লম্বীশিং শেম শাবা অমদি কম্যুনিকেসন সিষ্টেমশিং নীংথিনা মথৌ তৌহনবগী থবকশিং পায়গনি।

সম্মিট অদুগী এজেন্দা অমসুং কন্টেন্টশিং শেম্ননবা ফোরেন এফিয়র্স, ইন্দষ্ট্রি এন্দ কর্ম্মস, ইনফোর্মেসন কলচর অমসুং টুরিজম মিনিষ্ট্রিশিংদা শিন্নখ্রে। কুমজা ২০২৪ দা লাউসনা অসিয়ননগী চিয়র পায়বা হৌরকপদা দিস্কসনশিং অদু মরু ওইনা অসিয়ন কম্যুনিটিগী পিল্লর অহুম হায়বদি অসিয়ন পোলিটিকেল-সেক্যুরিটি কম্যুনিটি, অসিয়ন ইকনোমিক কম্যুনিটি অমসুং অসিয়ন সোসিও-কলচরেল কম্যুনিটিদা মীৎয়েং থমগনি।

লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২৪ গী জনুৱারী ১ দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা অসিয়নগী চিয়রমেনশিপ পায়গদৌরিবনি।

# পাকিস্তাননা আই এম এফকা ৱারী শান্নবদা বেলআউট পেকেজকী দিল পুরকপা ঙমখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী):

পাকিস্তান অমসুং ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না নিগোসিএসন চথরকপদা শেলগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরিবা লৈবাক অসিবু ব্রেঙ্কক্রপ ওইহন্দনবগীদমক য়াম্না মথৌ তারিবা ফন্দ দোল্লর বিলিয়ন ১.১ গী দিল পুরকপা ঙমখিদ্রে।

ফিভম লুশিল্লক্লিবা ইকনোমিক ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা পাকিস্তানগী ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্বশিং হাংলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসি হৌজিক থা অমা কোন্নগদবা ইম্পোর্টকী দোল্লর মতিক চানা লৈত্রে। ইরাই নুমিত্তা ইস্লামাবাদ থাদোকখিবা আই এম এফকী টিম্না হায়খি, মদুদি নুমিৎ তরানি চুপ্না ৱারী শান্নবদগী বেল্ট আউট পেকেজকী দিলগী মতাংদা প্রোগ্রেস নীংথিনা লৈত্রি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু মখা তানা ভার্চুএল দিস্কসনশিং চথখিগনি হায়না আই এম এফ মিশনগী হেদ নথান পোর্থরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জনুৱারীদা চহীগী ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ২৭ কী মথক য়ৌদুনা কুমজা ১৯৭৫ গী মতুংদা পাকিস্তানদা খ্বাইদগী ৱাংবা ইনফ্লেসনগী চাং ওইখি। হৌজিক লৈবাক অসিনা শেল থুমগী থবক থৌরম পুম্নমক ফেল ওইরকপা যাবগী অকিবা হেনগৎলক্লি। চয়োল অসিদা পাকিস্তানি রুপি (পি কে আর) পুৱারীগী রেকোর্দ ওইরগদবা মওংদা দোল্লর অমদা ২৭৫ তা লেপ্তুনা চহী অমগী মমাঙদা ১৭৫ ওইখিবদগী মীপায়নিংঙাই ওইনা হস্তরকখি। ফোরেন করেন্সি কা হেন্না ৱাৎলকপা অসি পাকিস্তানগী খ্বাইদগী হেন্না লূবা প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

পাকিস্তানগী বিজিনেসশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিংনা হায়রিবদি মখোয়না মপানদগী ইম্পোর্ট তৌরিবা পোৎচৈশিং ঙাইরিঙৈদা মখোয়গী থবকশিং তপথবা নত্ত্রগা লেপ্তুবা য়াদবগী ফিভম লাকখি। হৌখিবা জনুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা বি বি সিগী ইন্টরভিয়ু অমদা গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টর অমনা হায়খি, মদুদি করাচিগী পোর্ট অনীদা কন্টেন্নর ৮০০০ হেন্না পৈদুনা লৈরি। কন্টেন্নরশিং অদুদা য়াওরিবশিং অদু হিদাক লাংথকশিং অমদি চান থক্লবনচিংবা তঙাই ফদবা পোৎলমশিংনি।



লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পোর্ট অনীদা লৈরিবা কন্টেন্নর খরদি পুথোকপা হৌরবসু অয়াম্বদি পন্দুনা লৈরি। মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াগুম্না কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক অমসুং রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবদগী ফ্যুএলগী মমলশিং হেনগৎখিবনা মরম ওইদুনা পাকিস্তাননা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরক্লিবনি। মরু ওইনা পাকিস্তাননা মপানদগী পুশিল্লকপা ফোসিল ফ্যুএলশিংগী মপান চাওনা তাংদুনা লাকখি।

হৌজিক্তি লৈবাক অসি চান থক্লবা পোৎলমশিং মপানদগী মরাং কায়না ইম্পোর্ট তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটি লৈরক্ত্রে হায়রি।

**IN THE FAMILY COURT, IMPHAL EAST, MANIPUR AT LAMPHELPAT**

**Matrimonial (Declaration) Suit No. 22 of 2022.**

Yumkhaibam Subadani Devi, aged about 47 years, D/o (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh of Moirangkampu Awang Leikai, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, District-Imphal East. Manipur.

... Petitioner

-Versus-

1. Yumkhaibam Joy, aged about 56 years, S/o (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh of Moirangkampu Awang Leikai, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, District-Imphal East, Manipur and 4 (four) others.

... Respondents

**SUMMONS**

TO

ALL THE INTERESTED PERSONS.

Whereas, the above named Petitioner has instituted a suit in this court for declaration that the Petitioner is the unmarried daughter of (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh (father) and (Late) Yumkhaibam Nungshibi Devi (mother) of Moirangkampu Awang Leikai, Imphal East District, Manipur.

All the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 22-02-2023 at 10:30 a.m. in the fore-noon either in person or by a pleader duly instructed able to answer all the materials question relating to the suit and file written objection if any.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid day and date, the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 6th day of February, 2023.

**SEAL** **Sd/- Th. Ibeyaima Devi**

By:- Advocate Sr. Sheristadar, Family Court, Imphal East, Manipur at Lamphelpat

HL-P/6022/11&12

**(NOTICE UNDER ORDER V RULE 20. C.P.C.)**

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL WEST AT LAMPHELPAT

Original (Money) Suit No. 78 of 2020

Bank of Baroda, Imphal Branch

---- Plaintiff

Versus

1. M/S Universal Mobile Centre represented by its Proprietor, Shri Nongmaithem Bikom Singh and 1 another

---- Defendants

To,

1. **Nongmaithem Thanil Singh**, f/o Nongmaithem Bikom Singh, aged about 60 years, resident of Kshetri Leikai, Porompat.
2. **Nameirakpam Amita Devi**, aged about 52 years, W/o Y. Deepak Singh of Keishamthong Elangbam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur - 795001.

WHEREAS, the about named plaintiff has instituted a suit against you for recovery of money and whereas you are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way and also by registered post. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by pleader duly instructed and able to answer all such questions on 31st March, 2023 at 10:30 A.M. to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the Court shall pronounce Judgement against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Courts this 23rd day of January, 2023

SEAL

By:- Advocate Sd/-

**Nepram Sonykumar**

Civil Judge Senior Division, Imphal West

HL-P/6012/10&11

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

**/ NOTIFICATION**

Imphal, the 10th February, 2023

No. Ex/208/DP/2022/1050: In continuation of this office notification of even no. dated the 31st January, 2023, it is hereby further notified for information of all candidates appearing in the HSLC Examination, 2023 that the Class X Examination will be commencing w.e.f. 16.03.2023 and comes to end on 03.04.2023.

For sanctity and smooth conduct of the said examination and also for information of the candidates, the following information/rules/guidelines are circulated for strict compliance by all candidates:

1. Candidates should bring their Admit cards signed by the concerned Principal/ Head master/Head mistress. No candidate will be allowed to enter the examination centre without their Admit Cards.
2. Candidates would be allowed to enter the exam centre at 8.30 a.m. They would be allowed to enter the Examination Hall at 8.45 a.m. As Examination starts at 9 a.m., no candidate would be allowed to enter the examination centre after 9.10 a.m. It should be followed strictly by all candidates/examinees. **Hence, candidates should reach the examination centre on or before 8.30 a.m. so that they can enter the Examination Hall in time.**
3. Late comers of a mass/group of students are not allowed.
4. All candidates are informed to visit the examination centre at least one day ahead of the commencement of the examination i.e 16-03-2023 so that they can reach the examination centre before 8.30 a.m. on the days of examination.
5. Candidates should not carry any electronic devices including mobile phones, smart watches or any barred items to the examination centre. If brought, any lost of the above barred items shall not be responsible by the examination centre.
6. Candidates must read the important instructions given in their Admit cards.
7. Candidates should refrain themselves from spreading rumours and hosting any material on social media sites including Facebook, WhatsApp, You tube, Twitter etc.
8. In Science subject, there will be separate answer scripts for Chemistry, Physics, Biology. Similarly, in Social Science subject also, there will be separate answer scripts for Geography, History, Civics & Economics. **Answers of one part should not be written on a different answer script**, i.e. answer of Physics should not be written on Chemistry or Biology script and vice-versa. Answers of Geography should not be written on History or Civics & Economics script and vice-versa. **If written, answers shall not be evaluated and consequently it will be cancelled.**

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**

Secretary

HL-P/6028/11

**GOVERNMENT OF MANIPUR**

**DIRECTORATE OF INFORMATION & PUBLIC RELATIONS**

**/ TENDER NOTICE**

Imphal, the 9th February, 2023

No. 3/22/2003-DIPR (Pt.II) : The Directorate of Information & Public Relations (DIPR), Manipur invites sealed rate quotations from registered and reputed firms/agencies for Supply, Installation & Maintenance of a Permanent Weather Proof Outdoor LED Video Screen along with all necessary accessories for the Directorate.

The tender bids will be received up to 2 p.m. of 20th February, 2023 and the same will be opened at 3 p.m. of the same day by the undersigned in presence or absence of the tenderers as the case may be.

Guidelines for empanelment containing eligible criteria, prescribed formats for applicants, etc. are available for download at **www.manipur.gov.in** or visit DIPR, Manipur, Nityaipat Chuthek, Imphal West during office hours.

**Sd/- H. Balkrisna Singh**

Director (IPR), Manipur

HL-P/8020/11

**GOVERNMENT OF MANIPUR**

**THE DIRECTORATE OF TRANSPORT**

**/ NOTIFICATION**

Imphal, 10th February, 2023

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020/Pt-II: It is hereby notified to all concerned that the computer (Practical) Test for direct recruitment to the post of LDC (Office Assistant-cum-Computer operator) in Transport Department, Government of Manipur shall be conducted at The State Academy of Training (SAT), Manipur, Takyelpat on 19-02-2023 as per scheduled given below:

| Sl. No. | Time | Roll No. | Total Numbers of Candidates |
|---|---|---|---|
| 1. | 9:00 AM — 9:35 AM | 0001 - 0216 | 91 |
| 2. | 10:00 AM — 10:35 AM | 0217 - 0464 | 91 |
| 3. | 11:00 AM — 11:35 AM | 0466 - 0730 | 91 |
| 4. | 12:00 Noon-12:35 PM | 0731 - 0990 | 91 |
| 5. | 1:00 PM — 1:35 PM | 0994 - 1309 | 91 |
| 6. | 2:00 PM — 2:35 PM | 1311 - 1564 | 91 |
| 7. | 3:00 PM — 3:35 PM | 1566 - 1893 | 91 |
| 8. | 4:00 PM— 4:35 PM | 1895 - 2212 | 91 |

***Note:***

1. ***Candidates without Admit Cards will not be allowed to enter the examination hall.***
2. ***Candidates should report to the Examination Centre at least 30 minutes earlier before the start of the examination.***
3. ***Candidates are required to bring their own ball point pen (black/blue).***

**Candidates who fail to report to the Examination Centre on time will not be entertained for any further request.**

**Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam**

Director of Transport

Manipur

HL-P/8019/11&12